**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-09-2025)**

**এম্ব্যুস (এল)ঃ** ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী কনভোই অমদা শকখঙদবশিংনা এম্ব্যুস তৌরকপদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অনি শিরে, মরি শোক্লে।

থৌদোক অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং মঙা মিনিট ৪৭ তাবা মতমদা নেসনেল হায়ৱে ১৫০, বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শম্বল লৈকাই মপাদা থোকখিবনি। ইম্ফালোমদগী বিষ্ণুপুর তমা হাইথরকপা ফোর জিরো সভেন টাটা ত্রক্তা তোংলকপা কনভোই অমদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এম্ব্যুস তৌরকপদা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী জৱান অনি শিরগা মরিনা শোকখিবনি। শিরবা পার্সোনেল অনিগী মনুংদা অমগী হকচাং হৌজিক রিমসকী মোর্গতা থল্লি। অশোকপা অমা রিমসতা লায়কন্নরি। শোক্লবা পার্সোনেলশিং অদু লায়েং চথনবগীদমক হোস্পিতালদা পুখ্রে হায়রি। অকুপ্পা পাউ ঙায়রি।

**নারি (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা থা অসিগী ১৭ তগী হৌরগা চথরকপা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদা এম.এল.এ. আর.কে. ইমোনা শরুক য়াদুনা অখন্নবা হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখি। কেম্প অসি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখাদা য়ু.পি.ঐচ.সি-শগোলবন্দনা শিনবনি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১০০ হেনবনা অনা লায়েং লৈৱ্রা হায়বগী মতাংদা স্ক্রিনিং তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগা খুৎশমরগা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ান জিলা থাক্কী ওইনা পাবুংগী কম্ম্যুনিতি হেলথ

সেন্টরদা হৌদোকখ্রে। কেম্পেইন অদু নুপীশিংগী হকশেল ফগৎহনবা অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবগী পান্দমদা হৌদোকপনি।

কেম্পেইন অসি মথং থাগী অনি ফাওবা পারবুংগী কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি। কেম্পেইন অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং খঙদোকবা স্ক্রিনিং তৌবগী থবক চত্থগনি। নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী থাগী খোংকাপ লাকপা মতমদা লু-নান্না লৈনবা অমসুং অঙাং নুপীমচাশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদসু অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তম্বীগনি হায়রি।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনেনা শিনদুনা লায়না লৈব্রা খঙদোকবা হেলথ কেম্প অমা জিলা অসিদা লৈবা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর-দোলাংদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিগী শরুক অমা ওইনা লৌনগন্দবা লায়নাশিং মরুওইনা হাইপরটেন্সন, দাইবেটিস, টি.বি. অমসুং এনিমিয়ানচিংবা লায়নাশিং নাব্রা খঙদোকবগী স্ক্রিনিংসু পাঙথোকখি। কেম্প অসিগী মনুং চন্না লেমা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

স্বাস্ত নারি সাসক পরিবার অভিয়ান অমসুং ৮ শুবা রাস্ত্রিয়া পোসান মাহগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জিরিবাম জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টরশিংদা হেলথ কিয়োগসশিং হাংদোকখ্রে। মসিগী মতেংনা নুপী ওইবীশিং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। মরুওইনা লৌগন্দনবা লায়নাশিং নাব্রা খঙদোকপা, মসিদা নত্তনা ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিংদা মেন্সত্রুয়েল হাইজিন অমসুং মেন্টেল হেলথ এৱারনেস কেম্প কয়া পীবগা লোয়ননা মীরোনবী নুপীশিংদসু তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি।

**@৭৫ (এল)ঃ** নেসন ফার্ষ্ট **@৭৫** কেম্পেইনগী মখাদা আইনগী মরমদা মীয়ামবু

নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা রাজ্যগী ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না মনিপুর সেক্রেটরিয়েট সাউথ ব্লোক্কী কনফরেন্স হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অসি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী মফম ৭৫ দা ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী অনি ফাওবা চথগনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ভাজপায়না হায়-আইনগী মরমদা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা পাম্বৈ অমা ওইগনি। লৈবাক অসিগী শোথহৌরবা মীওইশিংদা লেমা আইনগী তেংবাং পীবা হায়বা ভারত সংবিধানগী আর্টিকল ৩৯ (এ) গী ৱাফম পল্লদুনা শ্রী ভাজপায়না হায়-মসিনা মীয়ামদা থোং মান্নবা মওংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমগনি। আইনগী মরমদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফম খক্তা নত্তনা মহৈ তম্ফমশঙশিং, কম্যুনিতি হোলশিং, লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিং অমদি অতৈ মফম কয়াদা পাঙথোক্কনি।

**মীতিং (এল)ঃ** সরকারনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপা 'আদি করম যোগী অভিয়ান' গী মতাংদা মীফম অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অদুগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগশিংদা অভিয়ান অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙহনগনি। মসিবু মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট মাস্তর ট্রেন্নরশিং হাপ্তুনা তাকপী তম্বীবগী থবক চথগনি। মসিদগী ফংল্লকপা দাটাশিং নীংথিনা খোমগৎতুনা মরী লৈনবা লোইশঙশিংদা থাগৎলকবগীদমক বোক দিবলপমেন্ট ওফিসারশিংদা খঙহনখি।

**কেম্প (এল)ঃ** সাস্ত নারি সুরক্সিত পরিবার অভিয়ানগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু আর.কে. ইমো সিংহ্ এম.এল.এগী লমজিং মখাদা শগোলবন্দনা লৈবা অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অমসুং শগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সি প্রোগ্রেসিব কমিতিনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। কেম্পেইন অদুদা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং খঙদোকবা স্ক্রিনিং তৌবগী থবক লেমা চথখি।

**হোর্টিকলচর(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন-জিরিবামগী কেসিয়ুনত দিবলপমেন্ট ওফিসারগা খুৎশমদুনা ঙরাং হোর্টিকলচরগী মনা-মশিং থানবা পোৎলম য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং খনগৎলবা বিনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদু কেসিয়ুনত দিবলপমেন্ট ওফিসার-বিদ্যানগরগী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসি সি.সি.এস-আর.কে.ভি.ৱাই-কেফেতারিয়া স্কিম-২০২৩-২৪ গী মখাদা পাঙথোকপনি। মসিদা মরুওইনা দেগ্রোন ফ্রুট অমসুং ফ্রেস বিন্সশিংগী পোৎথোক চাং ৱাংনা পুথোকপা ঙমবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

**পাউনা (এল)ঃ** ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা পাব্লিক ৱাক্স দিপার্টমেন্টনা ইরম নালা শেম্বগী থবক চথবদা নাক-য়েৎতা হৌরম্বা উ পান্বীশিং য়াম্থৎলিবা অদু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা খুদক্তগী থিংজিনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা সদর হিলস রেঞ্জকী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার-মংশাতাবম জোবিতনা হায়-হৌজিক পাউনা কৈথেলগী নাক য়েৎতা উ পান্বী য়াম্থৎলিবা অসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অয়াবা পীখিবা লৈতে। মরী লৈনবশিংনা দিপার্টমেন্ট অসিদা উ য়ানবগী অয়াবা মাংজোনননা লৌরকখিবসু লৈতে। পাউনা কৈথেলগী পরিংদা হৌজিক হৌজিক উ পান্বী ১২০ থাবগী

মনুংদা মখোয়না উ পান্বী তরেৎ য়ান্থৎলম্বনি। মহাকা হায়-আইন কায়না উ-ৱা য়ান্থৎলম্বগীদমক মফম অদুদা ইরম-নালা শেম্বগী থবক চত্থরম্বা অদু লেপহন্দুনা থম্লি। মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি।

**এম্বুলেন্স (এল)ঃ** রোড এক্সিদেন্ট অমদি দিজাস্তর এম্ব্যুলেন্স সার্ভিস-বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি হৌদোকখ্রে। লম্বীগী খুদোংথিবা কয়াদগী মীওইবগী পুন্সি কন্ননবা পান্দমদা মনিপুরগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মহাক্কী এম.পিগী লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দদগী ইকো ভেন এম্ব্যুলেন্স অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা খুৎশিন্নখ্রে।

রোড এক্সিদেন্ট অমদি দিজাস্তর এম্ব্যুলেন্স সার্ভিস অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা লমথাখি।

**লমজেল (এল)ঃ** মনিপুর এইদস কন্ত্রোল সোসাইতি (মেক্স) না য়ুমথোং খুদিংদা ঐচ.আই.ভি.-এইদস অমসুং এস.টি.আইগী মতাংদা মীয়ামবু মমুৎ তানা খঙহন্নবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপগী লোয়শিনবগী শরুক অমা ওইনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা রেড রন লমজেলদা শরুক য়াগদবা মীওইশিংদা টি-সার্ট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি মহারাজা বৌধচন্দ্র কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

কিলোমিটর তরা চেনগদবা মরাথোন অসি কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী অয়ুক পুং তরুক্তগী লমথাগনি। লমথুংফমনা শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কলেজতা ওইগনি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর ফোরটিনদগী টি.ঐচ. রোমেন কৌবা মীওই অমা পুলিসনা ফাজিনখিবা অদু তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকবা লমদম অদুগী মীয়ামনা আপিল তৌরি।

মহাকপু ফাজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামনা টিদিম লম্বী

থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। তুংদা, খোঙজং অদু হন্দোকখি হায়রি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্নদি-মহাক কে.সি.পি. (নোয়োন) কাংলুপকী মীওইনি হায়রি।

**জিএসটিঃ** প্রধান মন্ত্রিন-নরেন্দ্র মোদিনা গুদস এন্দ সার্ভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী মতাংদা নৌনা লৌখৎলকপা খোঙথাং-নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্মনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

৫৬ শুবা জি.এস.টি. কাউন্সিলনা অয়াবা পীদুনা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা জি.এস.টি. কাউন্সিল অসিনা মীয়ামনা নোংমদা মপুং ওইনা শিজিন্নরিবা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা টেক্স হন্থহল্লে।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** সেভা সপতহাগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা তাঙ্কক নাইনা অখন্ননা শন্দোক্কদবা থৌরমগী অহুমশুবা শরুক হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং নুমিদাং পুং ৭ মিনিট ৫০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

মিনিট ২০ শন্দোক্কদবা থৌরম অসিদা 'অতমানিরভর ভারত অভিয়ান' হায়বসিদা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এদিটর-খোগেন্দ্র খোমদ্রামগা ঐখোয়গী মীহুৎ ৱাইখোম চিত্রাধানিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা তাহঞ্জগনি।

**ইসিঃ** রাজনিতি দল অমা ওইবগী ইলেক্সন কম্মিসননা পীবা নিতি নিয়মশিং ঙাক্তবা রাজনিতি দল ৪৭৪ ইলেক্সন কম্মিসননা নৌনা ককথৎখ্রে।

ইং কুমজা ২০১৯ দগী হৌরগা চহি তরুক অসিদা অমুক ফাওবা মীখল থেংনবা ঙমদবনা মরম ওইরগা হায়রিবা দলশিং অদু ইলেক্সন কম্মিসননা পীবা নিতি-নিয়ম ঙাক্তবগীদমক ককথৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা হৌখিবা থাদা রাজনিতি দল ৩৩৪ ককথৎখ্রে। মসি থারগা হৌখিবা থা অনি অসিদা মমিং ককথৎখিবা রাজনিতি দল ৮০৮ শুরে।

ইলেক্সন কন্মিসনগী পাউনা হায়-রাজনিতি দল ৫৫৯ অপিবা মতমগী মনুংদা থংন-থংননা চহি অহুম মখোয়গী চহিগী ওইবা ওদিট একাউন্ট পীখৎলক্তবনি। হায়রিবা রাজনিতি দলশিং অদু লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য ২৩ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগীনি।

**এদভাইজরি** ঃ কেন্দগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না নিংথৌকাবা নুমিৎতগী চৎনবা হৌগদবা জি.এস.টি রেটকা মরী লৈননা অনৌবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। এদভাইজরি অসিগী মতুংইন্না মেন্যুফেকচরর, পেক্কর অমসুং ইমপোর্টরশিংনা মশানা খঙনবা সেপ্তেম্বর ২২ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা মমল থাবা ষ্টিকরশিং শিজিন্ননবা মন্ত্রালয় অসিনা খঙহল্লি।

মখা তানা মেন্যুফেকচরর, পেক্কর অমসুং ইমপোর্টরশিংনা নৌনা চৎনগদবা জি.এস.টি রেট মীয়াম, দিল্লর অমদি রিটেল্লরশিংদা প্রিন্ট, ইলেক্ত্রোনিক অমদি সোসিয়েল মিদিয়াগী খুত্থাংদা খঙহন্নবসু এদভাইজরি অদুনা হায়রি।

**রাজনাথ ঃ** জাতি অসিনা ঙসি ইং ১৯৬৫ দা ভারত-পাকিস্তান লানদা ভারতনা মায় পাকখিবগী ৬০ শুবা কুমওন থৌরমদা লৈবাক্কীদমক মথ্বায় কৎখ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

লানফম অদুদা ভারত লান্মীশিংনা লৈবাক অসিগী পাকিস্তানগা থংনবা শিমানা পরিংদা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌখিবা অমদি লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা অদুনা লৈবাক অসিগী শক্তি উৎথোকপা ঙমখি অমদি মখোয়গী কৎথোকখিবা কয়া অদুনা লৈবাক অসিনা লানফম অদুদা চাউনা মায় পাকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনখিবা কয়া অদু কৈদৌনুংদা চাংদমবা য়ারোই। লানফম অদু লৈবাক অসিগী

ইতিহাসতা মুৎনাইদনা লৈহৌরগনি হায়নসু শ্রী রাজনাথনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**মৈরাবা (এল)ঃ** উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা পাঙথোকপা য়োনেক্স সনরাইজ ডা: অখিলেস দাস গুপ্তা মেমোরিএল ওল ইন্দিয়া সেনিয়ার রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৫ কী ফাইনলেদা মনিপুরগী শান্নরোই-মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং রন্নরস অপ তাখ্রে। মহাক লন্বীগী খুদোংথিংবা থৌদোক অমদগী মহাক্কী লন্বাদা ৱাক ওভর পীথোকখিবদগী রন্নরস অপ তাখিবনি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনদুনা ২২ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌদুনা দি.এস.এ. ককচিং প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

হৌদোকপগী মেটচতা সাউ-ককচিং অমসুং এস.দি.ও. পল্লেল থেংনগনি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা য়ুমাম মনাও মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. ঙাইখোঙ খুনৌনা ইশোক এফ.সি-ইশোকপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-য়ু.এফ.সি. বিষ্ণুপুরনা বি.এফ.এ. নাচৌবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** এসিয়া কপ ক্রিকেটকী গ্রুপ (এ) গী অরোইবা মেটচ অমদা ভারতকা ঙসি ওমানগা শান্নগনি। মেটচ হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা  অবুদাবীদা শান্নগনি।

ভারতনা গেম অনিদগী পোইন্ট মরি ফংদুনা সুপর ফোরগীদমক ক্বালিফাই

ওইরে। অদুগা ওমানদি লৈহৌরে। ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা শ্রীলঙ্কানা অফগানিস্তানবু থোইদুনা সুপর ফোর ষ্টেজ চংখ্রে।

**বেদমিন্টনঃ** ভারতকী বেদমিন্টন শান্নরোই-পি.ভি. সিন্ধু, নুপীগী চাইনা মাস্তরস সুপর সভেন ফিফতি টুর্নামেন্টকী ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

মহাকা থাইলেন্দগী পোর্ন পাউৱি চো-চু-ৱোংবু ষ্ট্রেট সেট ২১-১৫, ২১-১৫ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখিবনি।